# ভেনিজ্যুএলাদা ওপোজিসননা শিনবা রেফরেন্দমদা ভোটর মিলিয়ন ৩৭ হেনবনা শরুক য়াখ্রে



কারাক্কস, জুলাই ১৭ (এজেন্সি): প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী কনষ্টিট্যুসন নৌনা ইথোক্লবগী থৌরাং অমগী মায়োক্তা নোংমাইজিং নুমিৎতা ওপোজিসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দম অমদা ভোটর মিলিয়ন তরেৎ হেনবনা শরুক য়াখ্রে হায়না ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন কাঙবুনা ফোংদোকখ্রে। পোল অদুবু মোনিটর তৌখিবা একাদেমিকশিংনসু ওপোজিসনগী ক্লেম অসি শৌগৎখ্রে।

নেসনেল এসেমব্লি মুথৎতুনা কনষ্টিট্যুসনবু নৌনা ইথোকপগী পৱার লৈগদবা অনৌবা কনষ্টিট্যুএন্ট এসেমব্লি অমা শেম্নবা গভর্নমেন্টনা পুথোরকখিবা থৌরাংশিংবু ভোটর শিংনা কন্না য়ানিংদবা উৎখ্রে।

ভেনিজ্যুএলাদা পোলিটিকেল গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোকই। অমনা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোবু শৌগৎপশিংনি অমসুং অতোপ্পদুনা নৌনা মীখল পাঙথোকপা পান্বা প্রসিদেন্ট মাদুরো অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংগী মায়োক্তা লৈবশিংনি।

কেপিটেল করাক্কসতা নর্স অমা ভোট থাদনবা ক্যু লেপ্লিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্পদগী শিখি।

মোটোরবাইক তোংবা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপ্পুনা চহী ৬১ শুরবী সিওমারা মোলেদাদ স্কোটপু হাৎখিবনি। এটেক অদুদা অতোপ্পা মীওই অহুমসু শোকখি।

ওপোজিসন কাঙবুশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তু 'পরামিলিটরি গেঙ' অমগী খূৎনি হায়না মরাল শিখিবগা লোয়নন্না প্রোসিক্যুটরশিংনা থৌদোক্তুগী মতাংদা থিজিল্লগনি হায়খ্রে।

তোঙানবা থৌদোক অমদা লুই ওলভোরীষ্টা কৌবা জর্নেলিষ্ট অমা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা কাঙবুশিংনা ফাখি অমসুং মশাদা য়াওবা পূম্নমক মুল্লবা মতুংদা ফুখি। মহাক উচিন-নাচিন্না মফমদুদগী নাম্ভোকহৌবদি ঙমখি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোগী প্লান অদুগী মতুং ইন্না লাক্লিবা জুলাই ৩০ দা অনৌবা কনষ্টিট্যুএন্ট এসেমব্লি খন্নবা ভোট পাঙথোক্কদবনি।

এসেমব্লিগী মেম্বর ৫৪৫ দা ওপোজিসন পার্টিশিংনা মেজোরিটি ওইরিবা নেসনেল এসেমব্লি য়াওনা ষ্টেট ইনষ্টিট্যুসনশিং মুথৎনবগী পৱার লৈগনি। অমরোমদা কুমজা ২০১৯ গী অঙনবদা মাদুরোগী টার্ম লোইশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা ওপোজিসননা অনৌবা মীখল পাঙথোকপা পাম্লি। ওপোজিসনগী মতুংইন্না, কনষ্টিট্যুসন নৌনা ইথোক্লবা চহী অসিদা পাঙথোকফম থোক্লিবা রিজনেল ইলেক্সনশিং অমসুং মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা প্রসিদেন্টগী মীখল শোয়দনা থেংথহনগনি।

অনৌবা বোদি অদুনা ভেনিজ্যুএলাদা ডিক্টেটরসিপ শোয়দনা লাকহনবা য়াই হায়না ওপোজিসননা কিরিবনি। নেসনেল এসেমব্লিগী মকোক ওইরিবা জুলিৎ বোর্গেজনা 'ঐখোয় ক্যুবা ওইবা পামদে, নীংতম্বা য়াওদবা লৈবাক অমা ওইবা পামদে' হায়না ফোঙদোকখি।

ওপোজিসনগী ফিরেপকী মায়োক্তা প্রসিদেন্ট মাদুরোনা মহাক্কী আর্গুমেন্ট পীরদুনা হায়রি মদুদি, কনষ্টিট্যুএন্ট এসেমব্লিনা ভেনিজ্যুএলাবু হৌজিক লৈরিবা শেনথুম অমসুং পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদুদগী কন্নবগী অমৎতা ঙাইরবা লম্বীনি। মহাক্না নোংমাইজিং নুমিৎকী ভোট অদুগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

ভেন্যুজ্যুএলাগী পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট অসিদগী থোক্লকখিবা ঈরাংশিংদা মীওই ১০০ রোম শিখ্রবনি। লৈবাক অসিগী শাথিরবা ইকনমিক ক্রাইসিস অদু মালেমগী থাউগী মমলশিং হন্থরকপনসু হেন্না লুশিনহনখি। লৈবাক অসিগী এক্সপোর্ট রেভিন্যুশিংগী চাদা ৯৫ দি থাউ য়োনবদগী ওইরি। শেনফমশিং অসিনা লৈবাক অসিগী সোসল প্রোগ্রাম খরা ফাইনান্স তৌদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম খরা ককথৎলুবদা প্রসিদেন্ট মাদুরোবু শৌগৎপশিংগী মশিং হন্থরকখিবনি।

হৌখিবা মার্চ থাদা লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা নেসনেল এসেমব্লি পায়শিন্নবা ৱারেপ লৌখি। সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ অসি মমৈথংদা হন্দোকখি, তৌইগুম্বসুং মাদুরোবু ওপোজিসন কাঙবুনা কূ অমা পাঙথোক্লবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি। মদুনা নুংতিগী ওইনা মহাকপু মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌবা প্রোটেষ্টশিং লাকহনখি। অসিগুম্বা ফিভমসিদা মাদুরোনা ওপোজিসননা মহাক্কী গভর্নমেন্ট চিংথুনবা হোৎনরে হায়না মরাল শিরি।

ৱাফম অহুমদা পাঙথোকখিবা ভোট অদুদা ভোটর চাদা ৯৮ না প্রসিদেন্ট মাদুরোনা প্রপোজ তৌরিবা অনৌবা এসেমব্লি অদু রিজেক্ট তৌখি অমসুং কুমজা ২০১৯ গী মমাঙদা অনৌবা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম শৌগৎখি। হৌজিক লৈরিবা কনষ্টিট্যুসনবু ঙাক শেনবদা আর্মদ ফোর্সশিং শীজিন্নবগী ৱাফমবুসু ভোটরশিংনা শৌগৎখি।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী চীফ অবু বাকর অল-বাঘদাদি হিংলি হায়বা চাদা ৯৯ শোয়দ্রে - কর্দিস সিক্যুরিটি ওফিসল

সুলাইমানিয়া (ইরাক) , জুলাই ১৭ (এজেন্সি): মমাঙদা শিখ্রে হায়বগী পাউ কয়া ফোংনখ্রবা ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদি হৌজিকসু হিংলম্বা য়াই হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা কর্দিস কাউন্টর টেররিজমগী ওফিসল অমনা ঙসি হায়খ্রে মদুদি, ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদি হিংলি অমসুং সিরিয়াগী রাক্কা সিটিগী খাদা লৈ হায়বসি মহাক্না চাদা ৯৯ শোয়দ্রে হায়না লৌই।

'বাঘদাদি তশেংনমক হিংলি। মহাক শিদে। মহাক হিংলি হায়বগী পাউ ঐখোয়দা লৈরে। অদুনা ঐখোয়না মহাক চাদা ৯৯ হিংলি হায়না থাজে' হায়না লাহুর টালাবানিনা রোইৎজেগী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি।

অল-বাঘদাদিগী খোঙ্গুল লিবদা তৎন-থানদনা শরুক য়ারকখিবা টালাবানিনা মহাক শোয়দনা লোৎলম্বা য়াই অমসুং মহাকপু ফাবা হায়বসি অরুবা অমা ওইগনি মরমদি মহাক লোৎপদা হৈশিংলবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী হৌরকফম কনামত্তনা কাওরোইদবনি। মহাক ইরাকতা অল কাইদানা কন্না পাঙ্গল ফুদোক্লিঙৈগী মতমদগী হৌরকখি। মহাক সিক্যুরিটি সর্ভিসতগী লোৎখিবনি। মহাক্না তৌরিবা খূদিংমক মশানা খঙজবা ঙাক্তনি হায়না টালাবানিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা ইরাকি সিটি মোসুলবু চহী অহুম পায়শিল্লকপদু হন্দক্তা ইরাকি ফোর্সশিংনা পায়শিনহনখি। সিরিয়াগী রাক্কাদসু গ্রুপ অসিদা প্রেসর পীবা হেনগৎলক্লি। সিটি অনীমক গ্রুপ অসিনা লাউথোকচখিবা হৌজিক্তি মাঙ



তাক্লবা কলিফেটকী ষ্ট্রোংহোল্ডশিংনি।

ফিভমসি লৈদুনসু টালাবানিনা ফোঙদোকখি মদুদি, মোরেল খরা নেল্লবসু নেম্না গ্রুপ অসিনা টেক্টিক্স হোংলক্লে, অদুনা মখোয়বু মুথৎপা হায়বসি চহী অহুমদগী মরি ফাওবা চঙখিবা য়াই।

লালদা মায়থিরবা মতুংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা মখা তানা লাল হৌখিগনি। মদু অল কাইদানা ষ্টেরোইদস শীজিন্নরগা হৌবা লালহৌগা মান্নগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী তুংগী লিদরশিং অদু হান্নগী ইরাকি লিদর সদ্দাম হুসেনগী মখাদা থবক তৌখিবা ইন্টেলিজেন্স ওফিসরশিংনা ওইরকপা য়াই হায়না থাজনরি। মীওইশিং অদুনা গ্রুপ অসিগী লাল্লোংশিং য়াৎখিবনি।

# ম্যানমারগা নোর্থ কোরিয়াগা মিলিটরিগী মরী লৈনদে হায়না নেপিয়িটোনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাজবা পীখ্রে

য়াঙ্গোন, জুলাই ১৭ (এজেন্সি): ম্যানমারগা নোর্থ কোরিয়াগা মিলিটরিগী মরী লৈনদে হায়না ম্যানমারগী ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং য়েংশিল্লিবা য়ু এসকী ডিপ্লোমেট অমা ম্যানমারগী লিদরশিংগা ৱারী শাননবা য়াঙ্গোনদা থুংখিবগা লোয়নন্না ম্যানমারনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

য়াঙ্গোনদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী মতুং ইন্না, অম্বেসেদর জোসেফ য়ুননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কেপিটেল নেপিয়িটোদা ম্যানমারগী ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চি অমসুং মিলিটরিগী কম্মান্দর ইন চীফকা উনগনি।

য়ুননা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা সিঙ্গাপোরদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী টেন্সনদা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অমদসু শরুক য়াখি।

অম্বেসেদর জোসেফ য়ুনগী এসিয়া



খোঙচৎ অদু নোর্থ কোরিয়ানা জুলাই ৪ দা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা লাউ-থোকখিবনি। নোর্থনা মিসাইল অদু অচৌবা ন্যুক্লিয়র ৱার হেদ অমা পুবা ঙমই হায়না ক্লেম তৌখি। এক্সপার্ট খরনা মিসাইল অদু অলাস্কা ফাওবা শান্না পাইবা ঙমগনি হায়না থাজরি।

অম্বেসেদর য়ুনগী খোঙচৎতা ম্যানমারদা পল্লিবা অসিনা ৱাশিংটননা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনরম্বা ম্যানমার আর্মিনা কিম জোং উনগী রেজিমদা মখা তানা মতেং পাংবগী থৌওং হকচিন্না লৌই হায়বসি উৎলি হায়রি।

অম্বেসেদর য়ুননা ম্যানমারগী ওথোরিটিশিংগা খন্নগদৌরিবা ৱাফমগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ম্যানমারদা পাউ পীখিদে হায়না ম্যানমারগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সতা পর্মনেন্ট সেক্রেটরী ওইরিবা চো জেয়ানা ফোঙদোকখি।

হেক হৌবদগী য়ু এসকী মায়কৈদগী নাখৈ শেংবা ৱাফম অমৎতা খঙহল্লকখিদে, তৌইগুম্বসুং মহাক নোর্থ কোরিয়াগী হিরমশিংগা মরী লৈনবা অখন্নবা পাউখোল্লোই অমনি হায়বসি ঐখোয়না খঙই হায়না চো জেয়ানা রোইটর্জদা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, ম্যানমারনা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা য়ু এনগী রিজোলুসনশিং ঙাক্লা চৎলি।

নোর্থ কোরিয়াগা ম্যানমারগা নোর্মেল মরী লৈনৈ। মিলিটরি মশেলগী ওইবা মরী অমৎতা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনদে হায়না চোনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা মেদা সাউথইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংদা নোর্থ কোরিয়াবু তোঙান্না তাহন্নবগী অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি। জুলাই ৪ গী বলিষ্টিক চাংয়েং মতুংদা য়ু এসনা লৈবাকশিং অসিদা প্রেসর পীবা হেল্লকখিবনি।

## চাইনাদা য়ূম মৈ থাবনি হায়বা মীওই ১ ফাগৎখ্রে

বৈজিং, জুলাই ১৭ (এজেন্সি): চাইনাগী নোংপোক থংবা লমদমদা মথোল অনীগী য়ূম অমা মৈ থাখিবনি হায়না চিংনবা মীওই অমা ওথোরিটিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফাগৎখ্রে। য়ূম মৈ থাবদুদা মীওই ২২ শিখ্রে হায়না চাইনাগী ওফিসল সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

নোংঙাল্লমদাই মতমদা জিয়াংসু প্রোভিন্সতা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক্কী মফম অদুদা মৈ হৌহনবদা পেট্রোল শীজিন্নখিবগী খুদম চাংদম খরা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফংখি হায়না নেসনেল ৱার্ক সেফটি এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

সাংহাইগী অৱাং নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৮০ লোম লাপ্পা চাংসু সিটিদা লৈবা য়ূম অদু লোকেল রেষ্টোরন্ট অমদা থবক তৌবা চহী ২০ দগী খরা হেনবগী লেঙ্গাশিং ওইবা মাইগ্রেন্ট শিন্মীশিংনি। মখোয় ৱেট্রেসশিং অমসুং কুকশিং ওইনা থবক তৌবনি হায়রি। য়ূম মৈ চাকপদুদা মীওই অহুমসু অশোক অপন নংখি।

য়ূম মৈ থাবগী মরালদা ফারবা মীওই অদুগী মমিংদা জিয়াং কৌবা য়ূম্নাক য়াওই হায়না সিনহুৱানা অহেনবা অকুপ্পশিংদি পীদবীদা ফোঙদোকখি। চাংসুগী সিটি গভর্নমেন্টগী মতুং ইন্না য়ূম মৈ চাকপদু নোংঙাল্লমদাই পূং ৪.৩০ রোম তাবদগী হৌখিবনি।

## চাইনিজ আর্মিনা টিবেটতা লাইভ ফায়র ড্রিলশিং পাঙথোকখ্রে

বৈজিং, জুলাই ১৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ ট্রুপশিংনা সিক্কিম সেক্টরগী দোক্লাম এরিয়াদা মুক্ন দুনা লৈরিঙৈদা চাইনাগী মিলিটরিনা টিবেটতা নোংমৈনচিংবা খুৎলাইশিং থাঙ্গৈশেংনা শীজিন্নদুনা এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখ্রে।

পীপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) না সাউথৱেষ্ট চাইনাগী টিবেট ওটোনোমস রিজনদা থাঙ্গৈ শেংনা খুৎলাই শীজিন্নবগী এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখি হায়না চাইনা সেন্ট্রেল টেলিভিজন (সি সি টিভি) না ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি। ড্রিলশিং অদুগী চপ চাবা মতমদি পনখিদে।

পি এল এগী টিবেট মিলিটরি কম্মান্দগী বৃগেদনা ড্রিলশিং অদু কন্দক্ট তৌখি। বৃগেদ অদু চাইনাগী প্লাটু মাউন্টেন বৃগেদ অনীগী মনুংদা অমনি হায়না গ্লোবেল টাইমসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

পি এল এগী টিবেট কম্মান্দনা ইন্দিয়া-চাইনা বোর্দরগী টিবেটকী চীংগী লমদম শম্নরিবা মফম পরিংগী লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সি) ঙাক শেল্লি। সি সি টিভিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না বৃগেদ অদু মতম শাংনা ব্রহ্মাপুত্র তুরেল (চাইনিজতা য়ারলুং জাংজো) ময়াই থংবা অমসুং লোইশিল্লমদাই শরুকশিংগী মনাক্তা ষ্টেসন তৌদুনা লৈরকখিবনি।

# কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হন্থনবা সাউথ কোরিয়ানা নোর্থকা মিলিটরিগী লমদা ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে





সিওল, জুলাই ১৭ (এজেন্সি): পিয়োংয়াংনা মখা তানা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং পুথোক্লবা হোৎনবদগী লমদম অদুদা লৈরিবা মুক্নবগী ফিভম হন্থহন্নবগী পান্দমদা সাউথ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াদা মিলিটরিগী লমদা ৱারী শানবা অমসুং ইমুং মশেল অমুক হন্না পূনশিন্নবগী ৱাফমশিং হৌদোকখ্রে।

বোর্দরদা মিলিটরি টেন্সন হেনগৎহল্লিবা তাথিনবগী থবক খূদিংমক লেপ্পবা নোর্থ কোরিয়াগী তোঙিলগাকতা জুলাই ২১ দা কোরিয়া অনীগী মরক্তা মিলিটরিগী লমদা ৱারী শাননবা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা প্রপোজ তৌরি হায়না সিওলগী ভাইস ডিফেন্স মিনিষ্টর সিও জূ সিওকনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

তোঙিলগাক অসি মমাঙদা কোরিয়া মশেল ৱারী শানবদা শীজিন্নখিবা বোর্দরগী পানমুনজোম ট্রুস ভিলেজদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী বিল্ডিং অমনি। মমাঙগী গভর্ণমেন্ট থাক্কী মীফমশিং হৌখিবা ২০১৫ গী ডিসেম্বরদা পাঙথোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মূন জে-ইন না হৌখিবা মেদা পৱার পায়বা হৌখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা টেন্সন হন্থহন্নবা হায়দুনা নোর্থকা থবক খরা পায়খৎমিন্নবা য়ানবা হোৎনখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা অনৌবা প্রসিদেন্টগী মখাদা সাউথ কোরিয়ানা তৌরিবা ওফরশিংদা অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং পীবা, নন-পোলিটিকেল একচেঞ্জশিং পাঙথোকপা অমসুং কোরিয়া মশেলগী মিলিটরি হোটলাইন নৌনা হিঙ্গৎহনবনি। ন্যুক্লিয়র চাংয়েংশিং অমসুং অশানবা রোকেট চাংয়েংশিং তৎতনা পাঙথোকপগীদমক্তা চৈরাক পীবা ওইনা সিওলনা লৈবাক অনীনা পূন্না রন তৌমিন্নবা কেসোং ইন্দষ্ট্রিয়েল কমপ্লেক্স থিংজিনখিবা মতুং ২০১৬ গী অঙনবা শরুক্তা পিয়োংয়াংনা কোরিয়া অনীগী মরক্তা থল্লম্বা মিলিটরি হোটলাইন ককথৎখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা কিম জোং উনগী রেজিমনা সাউথকী অসিগুম্বা ওফর অয়াম্বা য়াদদুনা লাক্লি। এনলিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি, সাউথ কোরিয়ানা হন্দক্তি বোর্দরদা চথরকখিবা লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা ব্রোদকাষ্টিং লেপ্পবা য়াই। নাকল অনীগী মরক্তা নৌনা কন্টেক্ট তৌনবদা থাংলিবা খুরৌশিংগী মনুংদা সাউথকী লাউদ স্পিকর ব্রোদকাষ্টশিংসু অমনি। কিম জোং উননা লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা ব্রোদকাষ্টিং কন্না য়াদদুনা লাকখিবনি।

সেন্ট্রল বৈংক ऑफ़ इंडिया
Central Bank of India
CENTRAL TO YOU SINCE 1911

**ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, মণিপুর**

**পোজেসন নোটিস**

**সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুল ২০০২ গী রুল ৮ (১) গী মখাদা থোকচবা**

## পোজেসন নোটিস

মখাদা সাইন তৌজরিবা **সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ** কী ওথোরাইজ ওফিসর অসিনা সিক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়ল এসেটস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট ওফ সিক্যুরিটি এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুল, ২০০২ গী সেক্সন ১৩ (১২) লোয়নন্না রুলস ৩ না পীরিবা পৱারশিংগী মতুং ইন্না দিমান্দ নোটিস ইসু তৌদুনা **বোরোৱরশিং অমসুং গরেন্টরশিংদা নোটিসতা পল্লিবা শেনফম নোটিস ফংবা** নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়নন্না শিংদোক্লবা খঙহনখি।

বোরোৱর/গরেন্টরনা হায়রিবা শেনফমসি শিংখিদবগা লোয়নন্না ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) লোয়নন্না মথক্কী রুলশিংগী রুলস ৮ না পীবা পৱার শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসি লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর/গরেন্টরদা অমসুং মীয়ামদা খঙহঞ্জরি।

প্রোপর্টি অসিগা মরী লৈননা দিল তৌনদনবা অমসুং প্রোপর্টি অসিগা মরী লৈনবা দিলিং খূদিংমক **সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ** কী মায়কৈদগী চার্জ লাকপগী ফিভমদা চথগদবনি হায়বসি মরু ওইনা বোরোৱর/গরেন্টরদা লোয়নন্না মীয়ামদসু চেকশিনৱা ওইনা খঙহঞ্জরি।

সিক্যুরিটি ওইনা শীজিন্নবা এসেটশিং অসি পীফম থোকপা শেনফমশিং পীথোক্লগা অমুক হন্না লৌবা য়াবগী মতমগী মতাংদা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ গী সব-সেক্সন (৮) গী প্রোভিজনশিং য়েংবীনবা বোরোৱরগী/গরেন্টরশিংগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি।

| সে. নম্বর | বোরোৱর/গরেন্টর/ ব্রাঞ্চকী মমিং | নোটিস ১৩ (২) গী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | সে. ১৩ (৪) গী মখাদা থোকপা নোটিসকী তারিখ অমসুং শেনফম | প্রোপর্টিগী অকুপ্পশিং |
|---|---|---|---|---|
| ১. | **১. শ্রী সলাম রোমিও অপোকপা** সলাম কুল্লচন্দ্র সিংহ লৈফম থম্নাপোকপী মখা লৈকাই, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর | ০২.০৫.২০১৭ **লূপা ৪,৬৯,৯২২/-** লোয়নন্না তাং ০২.০৫.২০১৭ তগী পাবা হৌগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | ১৪.০৭.২০১৭ **লূপা ৪,৮২,১০১/-** লোয়নন্না তাং ১৪.০৭.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | শ্রী সলাম রোমিওগী মিংদা লৈবা পট্টা নম্বর ৫০/১৫ (অরিবা)/১১৪/৫৮৩১ (অনৌবা) গী দাগ নম্বর ৪৫/৬৩৩ না কোনবা থম্নাপোকপী মখা লৈকাই, রেভিন্যু ভিলেজ-৫০, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা একর ০.০৭ পাক চাউবা, **অৱাংদা**-এম ইবোপিশক সিংহগী ইঙ্খোল লৈবা, **খাদা**-এম (ওংবী) মেমচা দেবীগী ইঙ্খোল লৈবা, **নোংপোক্তা**-টিদ্দিম লম্বী অমসুং **নোংচুপ্তা**-পি মঙ্গিজাও সিংহগী ইঙ্খোল লৈবা লমগী শরুক অপুন্বা |
| ২. | **১. শ্রী লাইশ্রম নন্দলাল সিংহ (প্রোপ্রাইটর : এম/এস নন্দলাল ইন্টরপ্রাইজেস)** লৈফম ভৈগ্যবটি লৈকাই, ইম্ফাল তুরেল মপাল, ইম্ফাল ইষ্ট মণিপুর **২. শ্রীমতি লাইশ্রম মনোরমা দেবী (শ্রী লাইশ্রম নন্দলাল সিংহগী গরেন্টর)** অপোকপা লাইশ্রম নন্দলাল সিংহ, লৈফম উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর **৩. শ্রী ইরেংবম শিতল কংলৈচা,** অপোকপা ইরেংবম কুমার সিংহ লৈফম উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর | ০৩.০৪.২০১৭ **লূপা ১১,০৪,৫৬৮/-** লোয়নন্না তাং ০৩.০৪.২০১৭ তগী পাবা হৌগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | ১১.০৭.২০১৭ **লূপা ১১,১৭,৬৭৬/-** লোয়নন্না তাং ১১.০৭.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | শ্রী লাইশ্রম নন্দলাল সিংহগী মিংদা লৈবা পট্টা **নম্বর ৪৯/৪৬১ (অরিবা পট্টা নম্বর ৪৯/১৪৭,৭২)** গী দাগ নম্বর ৮৫/৫৩০,৫৩০ না কোনবা ভিলেজ নম্বর ৪৯ ভৈগ্যবতি লৈকাই বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা একর ০.০৫৫ পাক চাওবা, **অৱাংদা**-অধিকারিময়ুম ইবোপিশককী য়ূম ইঙ্খোল লৈবা, **খাদা**-লাইশ্রম অমু সিংহগী ইঙ্খোল লৈবা, **নোংপোক্তা**-লাইশ্রম ইবোহনবী সিংহগী ইঙ্খোল লৈবা, **নোংচুপতা**-কাঙাবম দিলিপ সিংহগী ইঙ্খোলনা কোইশিনবা লমগী শরুক অপুন্বা |
| ৩. | **শ্রীমতি আর কে পদমিনি দেবী মপুরোইবা আর কে মনিসনা** লৈফম উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর | ০৪.০৫.২০১৭ **লূপা ৪,৪৭,৬০৪/-** লোয়নন্না তাং ০৪.০৫.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | ১১.০৭.২০১৭ **লূপা ৪,৫৮,৮০৪/-** লোয়নন্না তাং ১১.০৭.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | শ্রী আর কে পদমিনি দেবীগী মিংদা লৈবা পট্টা নম্বর ৫৭/৩৭ (পিটি) (অরিবা) পট্টা নম্বর ৪৭১/৬৮৬ (অনৌবা) গী দাগ নম্বর ৩০৮১/৩১৭১ না কোনবা ভিলেজ নম্বর ৮৭ উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা একর ০.০০৬৩ পাক চাওবা, **অৱাংদা** -শগোলশেম রাজেশ সিংহগী পট্টা লম লৈবা, **মখাদা**-নম্বুল তুরেল, **নোংপোক্তা**-ঐচ লালমনি সিংহগী পট্টা লম লোয়নন্না **নোংচুপতা**- লাইখুরেম্বী লৈকাইগী লৈকাই লম্বী লৈবা লমগী শরুক অপুন্বা |
| ৪. | **শ্রী খ্বাইরাকপম শ্যাম সিংহ অপোকপা (লৈখিদ্রবা) খ্বাইরাকপম অঙৌয়াইমা সিংহ** লৈফম থম্নাপোকপী মমাঙ লৈকাই, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর | ০২.০৫.২০১৭ **লূপা ৬,৯০,৫৫৪.৯০/-** লোয়নন্না তাং ২.০৫.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | ১১.০৭.২০১৭ **লূপা ৭,০৮,৯৫৪/-** লোয়নন্না তাং ১৪.০৭.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | শ্রী খ্বাইরাকপম শ্যাম সিংহগী মিংদা লৈবা পট্টা নম্বর ৫৩/১৭১ (অনৌবা) গী দাগ নম্বর ৩০৯ না কোনবা ভিলেজ নম্বর ৫০, থম্নাপোকপী মমাঙ লৈকাই, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর ষ্টেটতা লৈবা একর ০.২৮ পাক চাওবা, **অৱাংদা**-এম য়াইমা সিংহগী ইঙ্খোল লৈবা, **খাদা**-কেঐচ রাজেন সিংহগী য়ূম ইঙ্খোল লৈবা, **নোংপোক্তা**-চঙফম লম্বী অমসুং **নোংচুপতা**-পি তবোপচাও সিংহগী ইঙ্খোল লৈবা লমগী শরুক অপুন্বা |
| ৫. | **শ্রীমতি চীঙ্গাংবম তরুনবালা দেবী (প্রোপ্রাইটর এম/এস ফীগে পুকৈ)** মপুরোইবা ঐচ দেবেন্দ্রজিৎ সিংহ লৈফম উরিপোক অচোম লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর-৭৯৫০০১ | ১০.০৫.২০১৭ **লূপা ৯,৫৭,৮১১/-** লোয়নন্না তাং ১০.০৫. ২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | ১২.০৭.২০১৭ **লূপা ৯,৯৬,৫২১/-** লোয়নন্না তাং ১২.০৭.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিং | শ্রীমতি চীঙ্গাংবম তরুনবালা দেবীগী মিংদা লৈবা পট্টা নম্বর ৮৭/১২৯ (পি) (অরিবা)/১৮৪১/৮০৫ (অনৌবা) গী দাগ নম্বর ১০০৪/১৩১৪ না কোনবা ভিলেজ নম্বর ৮৭, উরিপোক অচোম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর ষ্টেটতা লৈবা, **অৱাংদা**-মোইরাংথেম মনি সিংহগী ইঙ্খোল, খাদা **চীঙ্গাংবম**-সুমিতা দেবীগী ইঙ্খোল, **নোংপোক্তা**-ফুরাইলাৎপম দ্বীজমনি সিংহ অমসুং **নোংচুপতা**-চীঙ্গাংবম ধেমো সিংহগী ইঙ্খোলনা কোইশিনবা লমগী শরুক অপুন্বা |

মফম : ইম্ফাল, তারিখ : ১৮.০৭.২০১৭

**ওথোরাইজ ওফিসর** সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া

**সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ**
**এম জি এভিন্যু, থঙ্গাল বজার, ইম্ফাল ৱেষ্ট - ৭৯৫০০১**
**ঈ-মেল - bmguwa1680@centralbank.co.in**